# নোর্থ কোরিয়াগী কায়হৌবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা জোইন্ট ড্রিলস হেন্না কনশিন্নবা য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা ৱারেপ লৌখ্রে




সিওল, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়াগী খুৎলায়গী প্রোগ্রামগী মায়োক্তা মিলিটরি ড্রিল হেন্না কনশিনবগা লোয়ননা ন্যুক্লিয়র দিটরেন্সকী থৌরাং হেন্না ফগৎনবা অমদি লান থোক্লকপা থিংননবা য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স চীফশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱারেপ লৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী খুৎলায় কয়া চাংয়েং লেপ্তুনা তৌদুনা কিহনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা এসিয়াগী মরু ওইবা মীচং লৈবাক ওইরিবা সাউথ কোরিয়াদা ৱাশিংতনগী ন্যুক্লিয়র কম্মিটমেন্টগী মতাংদা নৌহৌননা থাজবা পীনবগীদমক য়ুএস দিফেন্স সেক্রেটরি লোইদ ওষ্টিন মহাক্কী লেঙমান্নবগা দিফেন্স কো ওপরেসনগী মতাংদা ৱারী শান্ননবগীদমক সিওলদা খোঙচৎ অমা লাক্লিবনি। হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা ৱাশিংতনদা চহীগী ওইবা সেক্যু-রিটিগী ৱারী শান্নখ্রবা মতুংদা ওষ্টিননা খোঙচৎ অসিদা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর লি জোং-সুক্তা উন্নখি। মহাক প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলগা উন্নরবা মতুংদা ফিলিপিন্সতা অমুক পাইখিগদবনি।

জোইন্ট ন্যুজ কনফরেন্স অমদা লিনা হায়খি, মদুদি কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা কিহল্লকপশিংগী মায়োক্তা ঙাকশেলগী থৌরাংশিং কনখত্নুনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ঐখোয়না অপুনবা মিলিটরি এক্সর্সাইস অমসুং ট্রেনিংগী লেভেল হেন্না ৱাংহন্নবা অমদি পাক চাওনা চথনবা অচেৎপা ৱারেপ লৌরে। সাউথ কোরিয়ানা য়ুএসকী দিটরেন্সতা হেন্না থাজবা থল্লকপগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা ইনৌ নৌনা ঙাকশেলগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি।

নাকল অনীগী দিফেন্স চীফশিংনা মিলিটরি কেপেবিলিটি মরু ওইনা ন্যুক্লিয়র ফোর্সশিংদা মীৎয়েং থল্লগা মীচংশিংদা চথুরক্কদবা এটেকশিংগী মায়োক্তা লৌখৎকদবা দিটরেন্সকী থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

জোইন্ট ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা য়ুএস দিফেন্স চীফনা হায়, মহাক্কী খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি সেক্যুরিটি চেলেঞ্জশিং মায়োক্লনবা ঙাকশেলগী লমদা লৈবাক অনীগী কো ওপরেসনদা হেন্না চেৎশিলহনবা অমদি উংখৎনবা অমসুং কায়হৌবগী থৌওংশিং কনশিল্লক্লিঙৈ মরকসিদা হান্না য়ানখিবা মতুং ইন্না সাউথ কোরিয়াদা য়ুএসকী কম্মিটমেন্ট অদু মখা তানা খঙহনবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কনভেনশ্নেল, ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল দিফেন্স কেপেবিলিটিশিং য়াওনা য়ুএসকী দিফেন্স কেপেবিলিটি পুম্নমক কোল্লিবা দিটরেন্সকী কম্মিটমেন্ট অসিবু হান্নদগী হেন্না চেৎশিলহন্নবা ফিরেপ লৌরি হায়না ওষ্টিননা ফোঙদোকখি। ওষ্টিনগা উন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলনা ইফেক্তিভ ওইরবা অমসুং মতিক ময়াই লৈরবা দিটরেন্সকী সিষ্টেম অমা লৈহন্নবা নাকল অনীগী মরক্তা দিস্কসন য়াম্না মথৌ তারি। মসিনা সাউথ কোরিয়াগী মীয়ামগী অকিবশিং কোকহনবদা মতেং পাঙগনি। নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী অকিবা লেপ্তুনা পীরক্লি হায়নসু য়ুননা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা নোর্থ কোরিয়ানা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা হৌখিবা চহীদা য়ুএস মেনলেন্দ য়ৌবা ঙম্বা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল (আইসিবিএম) শিং য়াওনা মখা মখা কয়াগী মিসাইলশিং মশিং য়াম্না কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখিবনি। কুমজা ২০১৭ গী মতুংদা পিওংয়াংনা ন্যুক্লিয়র দিভাইস অমসু চাংয়েং তৌনবা শেম শারম্বা য়াই হায়না লৈবাক অনীগী ওফিসলশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

# ম্যান্মারগী মিলিটরি রেজিম্না মীখল পাঙথোক্লবা শেম শারি মীশি মীনা অমুক থোক্লক্লগদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে



বেঙ্কোক, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): কু অমা পাঙথোক্তুনা মতম শাংনা পানবা ঙমখিদ্রবা দিমোক্রেটিক মীখলদা মায় পাক্তুনা শেমখিবা গভর্ণমেন্ট চিংথুখিবা চহী অনী হৌখ্রবা মতুং অসিদা লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

লৈবাক অসিদা মিলিটরি রুল্লরশিংবু য়ানিংদবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা মিলিটরি রুল্লরশিংনা মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লিবা অসিনা মখা তানা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না এনালিষ্টশিংনা ৱার্নিং তৌরি।

ওবজার্বরশিংনা হায়রি, মদুদি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা মিলিটরি রুল্লরশিংনা থৌরাং তৌরিবা মীখল অদু ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইনা পাঙথোকপা য়ারোই। মদু শুপ্নগী মিলিটরি রেজিম্না মখা তানা পৱার পায়বা য়ানবগী পান্দমদা পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লিবনি হায়না এনালিষ্ট অমনা মহাক্কী মত পীরি।

কুমজা ২০২০ গী নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীখলদা ভোটরশিংদা নমথাক তৌখি অমদি অরান অহুই কয়া চথখি হায়না মরাল শিদুনা মীখল অদুদা চাওনা মায় পাকখিবা ওং সান সু চি অমসুং মহাক্কী পার্টিবু লৈঙাক্কী পৱারদগী কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারী ১ দা চিংথুখিবনি।

মীখলদা নমথাক তৌখি হায়বা মিলিটরি ওফিসরশিংগী ক্লেমশিং অদুগী ইভিদেন্স অমত্তা পীবা লৈখিদ্রবসু জেনরেলশিংনা নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা পরিংনাইনা রেইদ কয়া চথুদুনা ওং সান সু চিদা নত্তনা অতৈ সিভিলিয়ন লিদর কয়া ফাগৎখি।

মিলিটরি রেজিমগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎপা পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিং লৈরক্তবগা লোয়ননা রসিয়া অমসুং চাইনাগী সপোর্ট ফংলিবা মিলিটরিনা চহী অসিগী ওগষ্ট ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদা অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

লৈবাক অসিগী বোর্দর এরিয়াশিংদা ওপরেট তৌরিবা লালহৌবশিংবু ওইনা য়ানিংবা উৎপা হৌখ্রবা মীওই কাঙলূপশিং অমদি আর্মিগী মহৌশাদগী রিক্রুটমেন্ট গ্রাউন্দশিংনা ওইরকখিবা তম্পাক্কী লমশিংদা লৈরিবা মীয়াম য়াওনা লৈবাক অসিগী মফম শীন থুংনা লৈরিবা মী অয়াম্বনা মীখল অসিদা থৱায় য়াওনা শরুক য়ারক্কনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লৈ হায়না পোলিটিকেল এনালিষ্ট কয়ানা ফোঙদোক্লরি।

# য়ুএসনা লাক্লিবা মেদা কোভিদকী পব্লিক হেল্‌ঠ ইমর্জেন্সি লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরি




ৱাশিংতন, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না লাক্লিবা মেদা কোরোনা ভাইরসকা মরী লৈনবা পব্লিক হেল্‌ঠ ইমর্জেন্সি লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না হ্বাইট হাউসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ পেন্দামিক শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থরক্তুনা খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রবা অনৌবা তাঙ্কক অমদা লাক্লে হায়না ফেদরেল ওফিসলশিংনা থাজবগা লোয়ননা হ্বাইট হাউসনা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি।

খোঙথাং অসিনা মালেম পুম্বগী ওইনা শাথিরবা লায়না লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা করি করি ফিরেপশিং লৌনরক্কদগে হায়বসি হৌজিকমক্কী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। অমেরিকন মিলিয়ন কয়া পেন্দামিক মনুংদা কোভিদ টেষ্ট অমদি ট্রিটমেন্টশিং লেম্না তৌনখি। তৌইগুম্ন সুং ইমার্জেন্সি লোইখ্রবা মতুংদদি অসিগুম্বা টেষ্টশিং অমদি ট্রিটমেন্টশিংদা শেলগী চাদিং মশা মশানা তৌবা মথৌ তারক্লগনি।

অসিগুম্বা ফিভম অসি য়েংলগা হ্বাইট হাউসনা পব্লিক হেল্‌ঠ ইমর্জেন্সি মখা তানা থা কয়া চৎনহন্দুনা হোস্পিটালশিং, হেল্‌ঠ ক্যের প্রোভাইদরশিং অমসুং হেল্‌ঠ ওফিসলশিংবু অহোংবা কয়াগীদমক্তা মাঙজৌননা শেম শাহনবা পান্মী হায়না ওফিসলশিংনা হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা নুমিৎ খুদিংগী চাংচৎতা কোভিদনা মরম ওইদুনা মীওই ৫০০ গী মথক্তা শিরি। মশিং অসি ফ্লুগী সিজন অমগী মনুংদা নোংমদা শিবা মী মশিংদগী শরুক অনীরোম হেল্লি। তৌইগুম্বসুং চহী অনী মপুং ফানা হৌখ্রবা কোরোনা ভাইরসকী লাইচৎ অসিনা হৌজিক্তি মীয়ামগী পুন্সিদা কা হেন্না অকিবা অমদি খুদোংথীবা মায়োক্লহনবগী ফিভম উদ্রে হায়না লৌনরি।

মসি মরু ওইনা মীয়াম্না য়ামদ্রবদা ভেক্সিনেসন অমসুং মমাঙদা মশা মশানা খঙদ্রবসু লায়না অসিগী ইনফেক্সন লৈখিবনা মরম ওইদুনা ভাইরস অসিগী মায়োক্তা প্রোটেক্সন খরা লৈবদগীনি হায়না হেল্‌ঠ এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লরি।

ফিভমশিং অসি ওইদুনসু লৈবাক অসিনা পব্লিক হেল্‌ঠ ইমার্জেন্সিগী ফিভমদগী মওং মরিল তানা ট্রাঞ্জেসন লৈহনবা মথৌ তাই হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখি।

মে ১১ দা নেসনেল ইমার্জেন্সি লোইশিনবগী তোঙানবা দিক্লারেসন অমা লৈহন্নবসু এদমিনেষ্ট্রেসন অসিনা থৌরাং তৌরি হায়নসু হ্বাইট হাউসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি।

# নোংচুপলোমগী টার্গেটশিংদা টেরর এটেকশিং চথুরকপা য়াই হায়দুনা টর্কিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

অঙ্করা, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): টর্কিদা লৈরিবা নোংচুপলোমগী টার্গেটশিংদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) অমসুং অল-কাইদানা খুৎ হল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী লৈবাক অসিনা সেক্যুরিটিগী অহেনবা থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, স্বিদেন, নেদরলেন্স অমসুং দেনমার্কতা শেংলবা লাইরিক কোরানগী মায়োক্তা ফত্তবা থৌওং কয়া চথখ্রবা মতুংদা টেররিষ্টশিংনা ৱেষ্টর্ন টার্গেটশিংদা এটেক চথুরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী ঐখোয়গী সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং হেন্না কনশিল্লে অমদি ওইথোকপা য়াবা কায়হৌবগী থৌওং পুম্নমক খন্দুনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং পুম্নমক লৌখৎলে।

আই এস অমসুং অল কাইদাগুম্বা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন কয়ানা লৈবাক কয়াদা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরি হায়বা ইন্টলিজেন্সকী পাউ অসিসু কুপ্না নৈনদুনা মরু ওইনা টর্কিদা লৈরিবা নোংচুপলোমগী এন্টিটিশিং অমসুং ফেসিলিটিশিং হেন্না চেকশিন্না ঙাক শেনবা হৌরে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না টর্কিনা মীচং লৈবাক অমগী ইন্টলিজেন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা মীফা মীপুন খরা তৌখি। তৌইগুম্বসুং নোংমৈ নত্তগা এক্সন চথুরকপা য়াবগী খুদম চাংদমশিংদি ফঙখিদে। মিনিষ্ট্রি অসিনা লৈবাক অদুগী মমিংদি পনখিদে।

য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদা কুরানগী কোপিশিং মৈ থাবা য়াওনা প্রোটেষ্ট কয়া চথুরকপদগী ইষ্টানবুল প্রোভিন্সতা লৈরিবা দিপ্লোমেটিক মিশনশিং, সিনাগোকশিং অমসুং চর্চশিংগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথুরকপা য়াই হায়রদুনা টর্কিদা লৈবা য়ুএস এম্বেসিনা অমেরিকন সিটিজনশিংদা ৱার্নিং তৌখিবনি। মদু হৌখিবা নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা এম্বেসি অদুনা ইস্যু তৌখিবা অনীশুবা ৱার্নিংনি।

# ৱার ক্রাইমশিং রিককনাইজ তৌনবা জপানদা তকশিনখ্রে

মনিলা, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা জপানগী মিলিটরিনা সেক্সকী ওইবা মিনাইশিং ওইহনখিবা ফিলিপিন্সকী নুপীশিংগী মরক্তা হিংহৌবা কয়ানা জপানিজ গভর্ণমেন্টদা মমাঙগী লাঞ্জাওদা চথখিবা ৱার ক্রাইমশিং অদু য়াজবগা লোয়ননা কম্ফোর্ট নুপীশিংগী ইস্যু লৈখায় তাথোক্লবা তকশিনখ্রে।

লিলা পিলিপিনাগী একজিক্যুটিব দিরেক্তর সারোন কাবুসাও-সিলবানা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি চহী চা তম্খায় অমা হেন্না তুমিন্না ৱাবা খাঙলকখিবা ফিলিপিন্সকী কম্ফোর্ট নুপীশিংগী ইস্যুবু জপানিজ গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবা করিমত্তা থৌওই ৱাওইদনা তৌরিবসি য়াম্না চুমদে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লিলা পিলিপিনা অসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা জপানিজ মিলিটরি ব্রোথেলশিংদা নমদুনা লৈহনখিবা ফিলিপিন্সকী নুপীশিংবু জষ্টিস ফঙহনবদা মতেং পাঙনবা লৈরিবা ফিলিপিন্সকী ওর্গনাইজেসন্নি। মতমদুদা কম্ফোর্ট নুপী ওইখিবশিংগী মরক্তগী হৌজিক হিংহৌরিবসি মীওই অনীখক্তনি। মখোয় চহী ৯০ হেল্লে অমদি মশা শোল্লে হায়না সিলবানা ফোঙদোকখি।

# অনৱরগী মচানুপীবু সেনিয়র ইকনোমিক অমসুং ফাইনান্স এদভাইজর হাপ্পুবদগী মালেসিয়াদা ৱাথোক লাক্লে

কুলালম্পুর, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অনৱার ইব্রাহিম্না মহাক্কী মচানুপীবু মহাক্কী সেনিয়র ইকনোমিক এদভাইজর হাপ্পুবদগী লৈবাক অসিদা ৱাথোক অমা লাক্লে। ওপোজিসনগী মেম্বর কয়ানা মহাক্কী মচানুপী নুরুল ইজা অনৱারবু রোল অদু থাদোক্লবা তকশিনখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ওপোজিসনগী লুচিংবা হমজাই জাইন নুদিন্না অনৱারদা নুরুল ইজাবু পিএমগী সেনিয়র ইকনোমিক এন্দ ফাইনান্স এদভাইজর ওইনা এপোইন্ট তৌরিবদু ইমুং মনুংদা খুদোংচাবা পীবা নেপোটিজমগী থৌওংনি হায়রদুনা এপোইনমেন্ট অদু ৱিদ্রো তৌনবা তকশিনখি।

হমজানা হায়খি, মদুদি পিএমনা এপোইনমেন্ট অসি ৱিদ্রো তৌবা মথৌ তাই। পি কে আর (পার্টি কেদিলান রাগয়াট) মনুংদা চৎনরিবা নেপোটিজমগী থৌওংশিং গভর্ণমেন্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা পুশিনবা য়ারোই। অদুনা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি।

পনবা য়াবদি, অনৱার অমসুং মহাক্কী মচানুপী নুরুল ইজা মথংশিংনা পি কে আরগী প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টনি। অসুম্না প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর হাপ্পুনা নেপোটিজম লিগেলাইস তৌবা য়ারোই হায়না পেরিকটান নেসিওনেল (পিএন) গী সেক্রেটরি জেনরেলনা ৱার্নিং তৌখি।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না সেনিয়র এদভাইজরগী রোল অদুগীদমক্তা নুরুল ইজাদা তলবনচিংবা পীবা লৈরোই হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা অনৱারনা ফোঙদোকখি। এপোইনমেন্ট অদু জনুৱারী ৩ দগী চৎনবা হৌখিবনি। ষ্টেটমেন্ট অমদা হমজানা নুরুল ইজাগী এপোইনমেন্ট অদু মালেসিয়াগী মীয়াম্বু বিত্রে তৌবগী থৌওংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি এপোইনমেন্ট অসি মরম চাদবা অমদি অরানবা খোঙথাং অমা ওইবদা নত্তনা মসিনা গভর্ণমেন্টগী ইমেজতসু শোকহল্লি। খোঙথাং অসিমক গ্রুপ গভর্নেন্স প্রেক্তিস, ইন্টিগ্রিটি অমসুং এন্টি করপসনগী ৱাখল্লোনগা মপুং ফানা তাইওন্নে। হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং পেত্রোনাসকী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসরসু ওইরিবা হাসন মারিগান অসি হান্নদগী অনৱারগী এদভাইজর ওইরক্লবনি হায়নসু হমজানা ফোঙদোকখি।

## সাইবর দিফেন্স সম্মিট পাঙথোকখ্রে

জেরুসালেম, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): বাহরেন, য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটস অমসুং মোরোকোগী সাইবর দিফেন্স সিষ্টেমশিংগী হেদশিংগী ওইবা রিজনেল সাইবর ইন্টলিজেন্স মীটিং অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইজরেলনা থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না ইজরেল নেসনেল সাইবর দিরেক্তরেট (আই এন সি দি) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি।

টেল অভিবকী অৱাংলোমদা কোষ্টেল সিটি হর্সলিয়াদা লৈবা মাইক্রোসোফ্টকী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুগী পান্দমদি লৈবাকশিং অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অমদি মখোয়গী কো ওপরেসন হেনগৎহন্দুনা রিজনেল সাইবর দিফেন্স ফগৎহনবা অমসুং টেক্নোলোজিকেল সোল্যুসনশিং য়েংশিনবা অসিনি।

# নাটো চীফকী সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান খোঙচৎ ক্রোএসিয়াগী প্রসিদেন্টনা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে



জাগ্রেট, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) গী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটনবর্গকী সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান খোঙচৎ নিংথৌকাবা নুমিত্তা ক্রোএসিয়াগী প্রসিদেন্ট জেৱান নিলান নোবিসনা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে অমসুং য়ুক্রেনদা লানগী জহাজশিং থাননবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা লৌখিবা ৱারেপ অদুবুসু কন্দেম তৌখ্রে।

লিথুএনিয়াদা থাগদবা নাটোগী ফোরৱার্ট প্রজেন্স বেটল গ্রুপতা শরুক য়াগদৌরিবা ক্রোএসিয়াগী টুপশিং উন্নবদা নিলান নোবিসনা হায়খি, মদুদি নাটোগী চীফ সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানদা লৈ হায়বসি ঐহাক্না খঙলে। মহাক্না ঐহাক অমসুং ঐহাক্কী লৈবাকপু মফমদুদা রিপ্রজেন্ট তৌবা নত্তে। মফম অদু নাটোগী এরিয়া অমসু নত্তে। তৌইগুম্বসুং মদু চাইনাগা নক্লনা লৈবা মফমনি। তশেংনমক খোঙচৎ অদু ক্রোএসিয়াগা মরী অমত্তা লৈনদে।

পনবা য়াবদি, দিফেন্স এল্লায়ন্স নাটোগী চীফ ষ্টোলটনবর্গ জনুৱারী ২৯ অমসুং ফেব্রুৱারী ১ গী মরক্তা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগী খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুগী পান্দমদি নোর্থ কোরিয়া অমসুং চাইনানা পীরক্লিবা সেক্যুরিটিগী থ্রেটশিং মায়োক্লনবা ৱা তান্নবা অসিনি। য়ুক্রেনদা জমর্ন টেঙ্কশিং থাননবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা লৌখিবা ৱারেপ্পুসু নিলান নোবিসনা কন্দেম তৌখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি খুৎলায়শিং অদু থাবনা য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট লোইহনবা য়ারোই। য়ুক্রেনদা রসিয়াগী টেঙ্ক কয়া তুম্না মৈ চাকখ্রে। জমর্ন টেঙ্কশিংসু লানফমদা রসিয়ন টেঙ্কশিংদুগা মান্নানা মৈ চাক্তুনা তুম্না মাঙগনি। য়ুক্রেনবু সপোর্ট তৌনবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী অনৌবা মিলিটরি মিশনদা শরুক য়ানিংবা উৎখিবা ক্রোএসিয়ন গভর্ণমেন্টগী ফিরেপকী মায়োক্তা প্রসিদেন্টনা য়ুক্রেনিয়ন লান্মীশিং ক্রোএসিয়াদা মিলিটরি ট্রেনিং তৌবগী ৱাফম য়াদবগা লোয়ননা য়ুক্রেনগা মরী লৈনবা নোংচুপলোমগী পোলিসিশিং মহাক্না ক্রিটিসাইজ তৌখি।

য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর খরনা রসিয়াবু মচেৎ তাহনবা নত্তগা মাঙ তাকহন্নবগী ৱাফম হৌদোক্তুনা ঙাঙ শক্লিবশিং অসি নোক্লিংঙাই ওইবা ৱাফম্নি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মিলিটরি এয়রক্রাফট কায়বদা পাইলোট শিরে

হানোই, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ভেটনামগী অৱাং থংবা লমদমদা ট্রেনিং সেসন অমগী মনুংদা ভেটনামিস এয়রফোর্সকী ফাইটর জেট অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা পাইলোট অমা শিখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়াগী রিপোর্টনা হায়রি।

ওফিসল ভেটনাম ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এক্সিদেন্ট অদু য়েনবাই প্রোভিন্সতা নুমিৎয়ুংবা মতমদা থোকখিবনি অমসুং মশাগী চহী ৩০ শুরবা পাইলোট অদু রসিয়ানা শাবা সূ-২২ জেট অদুবু লোকেল এয়রপোর্ট অমদা লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা শিখিবনি। ভেটনামগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইনভেষ্টিগেসন অমা লোঞ্চ তৌদুনা এক্সিদেন্ট অদু করি করম্না থোক্লকখিবনো হায়বগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৮ দা সেন্ট্রেল ভেটনামদা সূ-২২ অমা মান্নবা এক্সর্সাইজ অমগী মনুংদা কায়খিবগী থৌদোক্তা পাইলোট অনী শিখি। কুমজা ২০১৫দা সাউথ চাইনা সীগী মথক্তা সূ-২২ জেট অমা নোংথক্তগী ঈশিংদা য়ুংনা হাইথরকখিবা মতমদা মদুগী পাইলোটশিং মতম চানা ইজেক্ট তৌদুনা হিংহৌখি।

# য়ুক্রেনদা য়ুএসনা ফাইটর জেটশিং থারোই: বাইদেন

ৱাশিংতন, জনুৱারী ৩১ (এজেন্সী): য়ুক্রেনদা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং থাবগী ৱাফম মহাক্না এপ্রুফ তৌরোই হায়না য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখ্রে। অসিগুম্বা ৱারেপ অমা ওইথোকপা য়াবগী ফিভম লৈব্রা হায়না হংবদা বাইদেননা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না অসিগুম্বা ৱারেপ অমা লৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈতে হায়খি।

বালটিমোরদা খোঙচৎ অমা চৎলুরবা মতুং হ্বাইট হাউসতা থুংলখিবা বাইদেননা মহাক পোলেন্দদা খোঙচৎ অমা চৎনবসু থৌরাং তৌরি হায়খি। তৌইগুম্বসুং করম্বা মতমদা খোঙচৎ অদু চৎকদগে হায়বদুদি পনখিদে। চহী অমরোম রসিয়াগা লান শোক্লরক্লিবা য়ুক্রেনবু মখা তানা খুৎলায় পীশিন্দুনা মতেং পাঙগদ্রা হায়বগী মতাংদা দিবেট অমা কন্না চথরিঙৈ মরক্তা প্রসিদেন্ট বাইদেননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসনদা য়ুক্রেনদা এফ ১৬ ফাইটরশিং দেলিভর তৌনবা ৱারেপ লৌরকপা য়াবগী মতাংদা হংবদা য়ুএসকী দিপ্যুটি নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জেনাথন ফাইনরনা ঐখোয়না ৱারেপ অমত্তা লৌরোই নত্তগা লৌগনি হায়বগী ৱাফম চপ চাবা লৈতে হায়না হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা এম এস এন বি সিগী এপিয়ারেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি।

য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসনগী পান্দমদি য়ুক্রেনিয়নশিংনা হৌজিক শোক্লরিবা লান অদু চান্নবা ফিভম অমসুং তাঙ্কক্কী মতুং ইন্না মতেং পাঙবা অদুনি। এফ ১৬ শিং নত্তগা অতৈ য়ুএসকী ফাইটর জেটশিং পীশিন্দুনা মতেং পাঙবা য়াবগী ওইথোকপা লৈব্রা হায়বগী মতাংদদি পাউখুম পীনিংঙাই লৈতে হায়খি।

কিভকী ওথোরিটিশিংনা তত্তনা হায়জদুনা লাক্লবসু য়ুক্রেনবু মিলিটরিগী লমদা মতেং পাঙবগী মতাংদা ফাইটর জেটশিং পীবা হায়বসিদি চৎনবা য়াগদবা ৱাফম অমা নত্তে হায়না মতম শাংনা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা লৌদুনা লাক্লি।

**OFFICE OF THE**
**IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**
**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION**
Imphal, the 27th January 2023

NO.1/1/ 2021-IMC (PART): In continuation of Imphal Municipal Corporation notification even number dated 13th December 2022 issuing a tentative seniority list of 50 applicants under Die-in-Harness Scheme inviting claims and objection in writing.

Whereas, no objection or complaint was received, now therefore a **Final Seniority List** of all eligible applicants/claimants, claiming appointment on compassionate grounds is hereby published. The said list is also found in www.imc.mn.gov.in and notice board at Imphal Municipal Corporation office Campus.

**Sd/- Joyce Kemp**
Deputy Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-b/8000/1

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DC/EXECUTIVE DIRECTOR, DRDA, UKHRUL
**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE RESTRICTED SHORT TENDER**
Ukhrul, the 25th January, 2023

No. 06/18/DC-Ukl/BADP-Tender/2019-20: In pursuance of letter No. PLG1-105/5/2020-PLG-PLANNING, dated 18th July, 2022 from the Additional Chief Secretary (Planning) Govt. of Manipur, Sealed rate of restricted short tenders are invited on behalf of the Governor of Manipur in P.W.D Form-7 **(Percentage Rate Tender)** from the eligible registered contractors of Manipur P.w.D and other Engineering Departments for the 13 (Thirteen) numbers below 5.00 lakh of civil works under BADP - 2019-20 (Central and State Share) in respect of Ukhrul District, Manipur.

**SCHEDULE OF TIME:**

1). Tender Forms and other details can be obtained in the office of DC/Executive Director, DRDA, Ukhrul from **6/02/2023 (Monday) to 10/02/2023 upto 12:00 Noon (Friday).**
2) Complete tenders/bids must be submitted on or before **10/02/2023 till 4:00 pm (Friday)**
3) Tenders/bids will be opened at DC Conference Hall, Mini Secretariat, Ukhrul on **13/02/2023, at 2:00 pm (Monday)**

***Sd/-* Chunglenmang**
ADC/ Chairman, LTC, DRDA, Ukhrul

HL-P/5846/1